# সিএমগী নাতোন শুমাঙদা

## এডুকেশনবু ফাগী-ফারাং ওইনা উহনবা

হন্দক, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা লৈরিবা ওফিসিয়েল রেসিদেন্সিকি মমাঙমক্তদা থোক্লিবা ষ্টেট অসিগী খ্বায়দগী হেন্না লিরবা মহৈ তম্ফমশঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তম্ফাসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এল্লেভেন ক্লাসতা মিং চনবগী ৱাথোক অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকি লুরবা থৌদাং অমা লৌরিবা এডুকেশন সেক্টর অসিবু করিগুম্বা লৈতনা খনবগী মওং অদু য়াম্না ময়েক শেংনা উৎথোক্লকপনি হায়না লৌবদা অরানবা ওইরোই। গভর্নমেন্টকি ৱাখলদা স্কুলশিংগী ইনফ্রষ্ট্রকচরগা মিং চলহনবা য়াবা মহৈরোই মশীংগা অনি অসি চাং চপ মান্নহনগদবনি হায়বগী ৱাফম অসি ফাওবা খহ্বা ৱাৎপগুম উনরি। স্কুলশিংগী ইনফ্রষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়ামরুম ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট শিংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী চথরক্লি হায়বদি মীয়াম্না খঙনদবা নত্তে। অদুবু করম্বা মওংদা থবক পাঙথোক্লিবগে হায়বদুদি কনানসু য়েংশিনবা তৌদনা লৈরি। ইম্ফাল শহরগী ময়াই চবুক, সিএমগী বঙ্গলো মনাক্তা লৈরিবা টিজি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মমাঙগী এডুকেশন দিপার্টমেন্ট পায়রম্বা মিনিষ্টরগী মীওইশিংনি হায়বা থিকাদারশিংনা রন্নীং বীল লৌথোক্লগা পোৎথা পোৎথা বিল্ডিংনচিংবা ইনফ্রষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী থৌওং অমা চথরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লরক্লিবা অসিনদি অথাপ্পা খুঙ্গং খুনয়া অমসুং চীনুং-মান্নুংদা লৈবা গভর্নমেন্টকি স্কুলশিংগী ফীভম করি ওইরমগদগে হায়বসি খহ্নরুবদা নীংবা কায়নীংঙাইগী মশক্নি। এডুকেশন মিনিষ্টরনা সরকারগীদি অরাকপা মহৈরোই পুন্নমক মিং চলহনগনি হায়বা ফিরেপ অদু শুকহোং হোংহল্লোই নত্রগা মহৈরোই মিং চলহনবা ঙমদবসি ইকায়নীংঙাইনি হায়বনচিংবা লনশোৎপিনা পাউখুম ৱাত্তে হায়নবগুম পঙাংঙাংবা শকপা অসিনা এডুকেশনবু চাওখৎহনবা করিসু ঙম্লোই। মদুগী মহুত্তা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা প্রাইমারি লেভেলদগী অপ্পর প্রাইমারি থাক ফাওবগী স্কুলশিংদা মিনিষ্টরনা হকথেংননা য়েংশিনবগী মথৌ তারক্লি। চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহগী অহুমলকশুবা টার্ম অসিদা অনৌবা মিনিষ্টরশিংনা মীয়ামদা অদু তৌগনি, অদা তৌগনি হায়দুনা শক্লিবা ৱাশকশিং অদু হান্নগী হান্নগুম হামু হামু খোংবাল চোংলগা হেক্তা কোকপগী মওংদা তাহন্দবা চুমগনি।

ইম্ফালদগী খজিক্তং লাপখিবদা স্কুল শঙশিংবু ওক্লোন, য়েনগোন ওহ্লোকপা, ইনফ্রষ্ট্রকচরগী থবক পুন্নমক হেক হৌগৎলকপগা ৱার্ক ওর্দরগী পার্সেন্টেজনা খাঙেনফম য়ৌহনবা, মন্ত্রি, অচৌ-অশাংগা নক্লবা নত্রগা শেল পীজবা ঙম্বা ওজাশিংনা স্কুল কাদনা তলব লেমজা চাবা, ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী নিয়ম লৈতবা, রেস্নেলাইজেসনগী থবক কয়া লৈবাক পুঙজাউ থীনবমখে পাঙথোক্লবসু ওজাগা ছাত্রগা থোং মান্নহনবা ঙমদবা, স্কুলশিংবু নীংথিনা য়েংশিন্দুনা মথৌ তৌহনগদবা জোনেল এডুকেশন ওফিসার অমসুং ইন্সপেক্টরশিংনা ব্যুরোক্রেশিগী দলালি ওইনা শেঞ্জা-থুমজাদা লুপ্তুনা লৈবা হায়রিবশিং অসি মণিপুরগী এডুকেশনবু লৈখা তানা চিংথরিবা মশীং থীঙমদ্রবা মরমশিং অদুগী মনুংদা খরদং পনবতনি। পোলিটিকেল কন্মিটমেন্ট অমা য়াওদবদগী অশেংবা অরানবশিং অসি ঙসি ফাওবদা চুমথোকপা ঙমদনা লৈরিবনি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈনরিবা সরকারগী স্কুলশিংদা মহৈরোই নীংথীনা মিং চলহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা রাইট টু এডুকেশন এক্টকী মতুংইন্না অচৌবা শেহ্নং কয়া কাইথোক্তুনা পায়খৎলিবা রুম এক্সটেন্সন, মিদ দে মিল, ওজাশিংবু ওরিয়েন্টেসন ট্রেনিং পীবা অসিনচিংবা প্রোগ্রামশিং অসি ক্বালিটি লৈহনবগী মথৌ তারি। জেদ ই ওশিংনা ওজাশিংগী এটেনেন্স ফাওবা চেক তৌবা ঙমদ্রি। এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক পুন্নমক শেঞ্জা-থুমজানা লাকহৎখিবদগী গভর্নমেন্টকি স্কুলশিংদা লাইব্রীক তম্নীংবা পোক্লরক্লবসু মহৈরোইশিংগী নীংবা কায়নীংঙাই ওইরক্লি। মীশীং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না হন্দক টি জি হয়ার সেকেন্দরি, সি সি হয়ার সেকেন্দরি অমসুং অতৈ স্কুলশিংদা থেংনরিবা মহৈরোই মশীং য়াম্না লৌশিনবা ঙমদবগী শমস্যা অসি মথংগী একাদেমিক সেসন্দা অমুক্কসু হেনগৎলকখিগনি। মসিগীদমক্তা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুল খুদীংমক্কী ইনফ্রষ্ট্রকচর মতীক চানা শেমগৎনবা এডুকেশন মিনিষ্টরনা অকনবা থবক পায়খৎপা চুমগনি। খ্বায়দগী হেন্না পুক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবদি এম ওকেন্দ্রো সিংহনা এডুকেশন্দা পোলিটিকেল প্রেসর চঙহল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা অসিনি। ৱাফম অসিদা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা এডুকেশন মিনিষ্টরবু শৌগৎলবদি মণিপুরদা এডুকেশনগী মগুন লৈহনবদা থোইদোক্লা অরুবা ৱাফম ওইরোই।